## উচেক্কী লাং ফাগৎখ্রে

থৌবাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
ৱাইল্ড বাইওদাইভর্সিটি কনজার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিয়ু বি সি সি) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমদি অথোকপমদা লৈবা ভি দি এফকী পোষ্টকী পার্সনেলশিং খুৎশম্না দুনা ঙসি নুমিদাং চথখিবা দ্রাইবতা থৌবাল চিংঙা লাইরেম্বী মনিং পাৎকী এরিয়াদগী উচেক ফানবা লাংশিং ফাগৎখ্রে। ফাগৎলক্লবা লাংশিং অসি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনদা খূৎশিন্নখ্রে। দি এফ ও থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা লল্লক্কী শা উচেক অমদি অকোইবগী ফিভম চাং কায়হন্দনা থম্নবগী খোঙজং মখা তানা চঙশিনখিগনি অমদি দব্লিয়ু বি সি সিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিং অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাপাংবিয়ু হায়না দব্লিয়ু বি সি সিগী সেক্রেটরি রোমেশনা আপিল তৌরক্লি।

## অয়ুসকী হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
য়ুথস দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ৱাই দি ও) ৱাঙ্গোই থৌদাম লৈকায়না ৫০-বেদেদ ইন্টিগ্রেটেদ অয়ুস হোস্পিটাল লম্ফেলপাৎকা খুৎশম্নদুনা ঙরাং ৱাঙ্গোই থৌদাম কম্ম্যুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা অয়ুসকী ফ্রি হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। অয়ুক পূং ১০ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ২.৩০ ফাওবা চথখিবা হেল্থ কেম্প অদুদা মীওই ২০০ রোম হেন্না লায়েংখি। তোঙান তোঙানবা লায়না লাইওংশিংগা মরী লৈননা অয়ুসকী ওইবা হিদাক লাংথকশিংসু মীয়ামদা লেম্না ফংহনখি হায়রি।

## অকনবা খোঙথাং লৌখৎলগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
ইনর্জেটিক য়ুথস দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, সামুরৌ কৈথেলগী কুমজা ২০১৯-২০ গী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখিবগা লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অসিনা কোল্লিবা সামুরৌ কৈথেলগী মফমশিংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা অকনবা খোঙথাং লৌখৎলগনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মুতুম প্রেমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা চথগদবা খোঙথাং অসি হেন্না মায় পাকহন্নবা লিলোং হাওরৈবী অমদি ওইনাম সওম্বুংদা লৈরিবা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগসু খূৎশম্নদুনা চৎমিন্ননবা হোৎনরগনি। মসিদা সামুরৌ অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনসু মতেং পাংশিনবিদুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা পূন্না লেপমিন্নসি হায়বা ৱাফম থমজরি। লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অসিগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি, প্রসিদেন্ট ওইনা এল প্রিয়োরঞ্জ শর্মা, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা লাইশ্রম কোপের, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা প্রেমকুমার মুতুম, পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা ৱিলসন লুৱাংচানি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
ককচিং শুমাক লৈকায় লৈরক অচৌবা পরেংদগী কম্মরেদ সলাম কুল্লবিধুনা হৌখিবা মার্চ৮ দা লৈখিদবদা কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া ককচিং লোকেল কাউন্সিলনা মীফম অমা পাংথোক্তুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা ইংনা চীক্না লৈরুনবা মীফম অদুনা থৌনিখিবনা লোয়ননা ইমুং মনুংদা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না সি পি আই ককচিং লোকেল কাউন্সিলগী চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

## ষ্টেট লেভেল এম সি এম সি নৌনা শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
লাক্লিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখল ২০১৯ গা মরী লৈননা এদিস্নেল সি ই ও, মণিপুরনা চ্যেরপার্সন ওইদুনা অমসুং ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিটুএন্সি (দি ই ও-ইম্ফাল ৱেষ্ট) কী রিটর্নিং ওফিসার অমসুং ষ্টেসন দাইরেক্তর (এ আই আর) দিলিপ ময়েংবম্বা মেম্বরশিং ওইদুনা শেমখিবা ষ্টেট লেভেল মেদিয়া সার্টিফিকেসন এন্দ মোনিটরিং কম্মিটি ঙসি এস ই এম টিগী সেনিয়র কন্সলটেন্ট বঙ্কিমচন্দ্র মাইস্নাম্বু অহেনবা মেম্বর ওইনা হাপচিদুনা নৌনা অমুক শেমখ্রে।

নৌনা হাপচিল্লিবা মেদিয়া সার্টিফিকেসন এন্দ মোনিটরিং কম্মিটিগী মেম্বর অসিনা ইন্টরমেদিএরি এক্সপার্ট/সোসিএল মেদিয়া এক্সপার্ট অমা ওইনা থবক তৌগনি হায়রি। কম্মিটি অসিনা সার্টিফিকেসন গীদমক্তা মণিপুরদা হেদ ক্বার্টর্স লৈবা রেজিষ্টর পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি মণিপুরদা রেজিষ্টর ওফিস লৈবা ওর্গনাইজেসনশিং নৎত্রগা এসোসিএসনশিং নৎত্রগা মীওইশিংনা থারকপা এপ্লিকেসন খুদিংমক য়েংশিনগনি হায়রি।

# ‘অহানবা মণিপুর খুন্নাই মীফম পাঙথোক্লগনি’




ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
মান্নবা খুন্নাইগীদমক অহানবা মণিপুর খুন্নাই মীফম অমা লাক্লিবা এপ্রিল ২ দা মণিপুর প্রোলিটেরিএট পিপলস দেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন (এম পি পি দি য়ু), সোসিএলিষ্ট ৱুমেন এসোসিএসন (এস দব্লিয়ু এ) য়ং কম্ম্যুনিষ্ট লিগ (ৱাই সি এল) অমদি সোসিএলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) না ৱাখল্লোন মান্নবা লুপশিংগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোক্লগনি হায়না য়ং কম্ম্যুনিষ্ট লিগকী কনভেনর দব্লিয়ু কামেশোরনা ফোঙদোরক্লি।

কৈশাম্পাৎতা লৈবা এস এস য়ু এমগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ৱাই সি এলগী কনভেনর দব্লিয়ু কামেশোরনা মখা তানা হায়খি, লময়ানবা ইরাবোটকী লীক্লম মীয়ামদা য়ৌহনবদা নত্তনা লময়ানবা অসিগী ৱাখল্লোনবু খুমাং চাওশিন্নবগী পান্দমদা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপশিং অসি পূনশিন্দুনা মান্নবা খুন্নাইগীদমক অহানবা মণিপুর খুন্নাই মীফম অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবনি। লময়ানবা ইরাবোৎকী নীংশিং থৌরমশিং মণিপুরদা পাক শন্না পাঙথোক্লরি। অদুবু লময়ানবা অসিগী ৱাখল্লোন অমদি মহাক্কী পান্দম অদুবু ফংনবা অতম্নমা হোৎনবা মীওই নৎত্রগা লূপকী মশিংদি অসুক্কী মতীক তাঙলী। মরম অদুনা লময়ানবা ইরাবোৎকী ৱাখল্লোন হায়বদি মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্নবগীদমক ঐখোয় করি করি হোৎনফম থোকপগে হায়বদু মীয়াম হূপ্পা খন্নমিন্নবা অমদি নৈনমিন্নবা য়াম্নমক মথৌ তারক্লি।

লময়ানবা ইরাবোৎকী নীংশিং থাবুমদা লৈ কৎপা, কেন্দল থানবা, ইশৈ শকপনদি খুন্নাই অসিদা অওনবা পুরকপা হায়বসি ওইথোক্তে। ঐখোয়গী মীয়ামগী পুন্সি মহিং করি ওইরি। মীওই খরনা নোংমা-নোংমগী শেঙ্গাও পায়বা হেনগৎলক্লবসু মশিং য়াম্লবা মীয়ামদি চারা অনীগী লান্থেংদা মায়থিরবা লাম্মী ওইরি। চারা অনীগী লান্থেং অমসুং মান্নবা খুন্নাইগী লান্থেং অনীমক লময়ানবা ইরাবোৎকী ৱাখল্লোনগা লোইননা লান্থেংনবা চঙলি। মরম অদুনা ঐখোয় চারা অনীগী লান্থেং অসি লাইরবা লৌমী শিন্মী মীয়াম অমত্তা ওইনা পুনমিন্নদুনা থেংননবা শেম শামিন্নবা অমা চঙলি।

মালেমদা অওনবা পুরকখ্রিবসি লাইরবা লৌমী শিন্মী মীয়ামগী ঈহৌনি। অদুনা য়াইফবা পুন্সিরোল হায়বদি মান্নবা খুন্নাইগী লান্থেংদি কনানা থেংনগনি হায়বসি অচৌবা ৱাহংনি। মরম অদুনা চারা অনীগী লান্থেং অমদি মান্নবা খুন্নাইগী ঈহৌ অনীমক লাইরবা লৌমী শিন্মী মীয়াম পুনমিন্নদুনা লময়ানবা ইরাবোৎকী লীক্লমদা লমজিং মৈরা ওইদুনা চঙশিনবা অমা চঙলি। মান্নবা খুন্নাই শেমগৎনবগীদমক মপাঙ্গল কনবা মণিপুরী খুন্নাই অমা শেমগৎপা হায়বসিমক য়াম্নমক তঙাই ফদবা ওইরি। মরৈবাক নুংশিবা, য়েলহৌ লীক্লম কঞ্জনিংবা, মীতোপতা মীপাল তাংদনা হিংবা ঙমগনি হায়না উৎনীংবা ফাওরিবা খুদিংমক অনৌবা অওনবা পান্বা মীওইবগী লীচৎনি। অঙম অথৌদগী নিরগা হিংগনি খনবা মীওইশিং অদু মীনাই নাইথাংগী ৱাখল্লোন চেনবা কাঙলুপ্পি। মপাঙ্গল কনবা মণিপুরী খুন্নাই অমা ওইহন্নবগীদমক লাইরবা লৌমী শিন্মী মীয়াম, মরৈবাক নুংশিবা মীয়াম, য়েলহৌ লীক্লম কঞ্জনিংবশিং, মীতোপ্তা মীপাল তাঙদ্রগসু হিংবা ঙম্মী খঞ্জবা মীয়াম অমদি অঙম অথৌদা নোঞ্জদ্রবসু হিংবা ঙম্মী হায়বা ৱাখল্লোন চেল্লিবা মীয়ামশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

# টেক্নিকেল এক্সপার্টনা এগ্রিকলচরগী ডাইরেক্তর ওইহনবীয়ু: লৌশাল



ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এন এস এস)ঃ
টেক্নিকেল এক্সপার্ট ওইবা ওফিসার অমবু এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর ওইহনগদবদা এম সি এস ওফিসার অমা দাইরেক্টর ওইহল্লকপা অসিনা মতৌ করম্না লোইশঙ অসিগী থবক থৌরমশিং পরিং চুম্না পায়খৎকদগে হায়বদু ৱাহং ওইরে হায়না লৌমীশিংগী অপুনবা লূপকী সেক্রেটরি মাইবম সুসিলনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবদা মাইবম সুসিলনা মখা তানা হায়, এগ্রিকলচরগী ওফিসতা লৌমীশিং লাকপা মতমদা মখোয় খঙদবনা থোঙ লোনশিল্লগা খাঙদুনা লৈরে। মরম অদুনা টেক্নিকেল এক্সপার্টশিংনা দাইরেক্টর ওইগদবা এরিয়াদা এম সি এস অমবু কৈদৌবগী দাইরেক্টর ওইহল্লিবনো। ফার্ম ইক্বিপমেন্টশিং সবসিদাইজ রেটতা করম্না পীগদৌরি? মসিদসু নত্তনা লৌমীশিংগীদমক পায়খৎকদবা থবক থৌরম কয়াদা অপনবা থোক্লক্লিবশিং অসি কনানা কোকহনগদৌরি।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট হায়বসি মেদিকেল দিপার্টমেন্ট, এঞ্জিনিয়র দিপার্টমেন্ট, পুলিস দিপার্টমেন্ট, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টশিংগুম্বা মশাগী লাইনগী টেক্নিকেল এক্সপার্টনা ওইদ্রবদি মপুং ফানা থবক তৌবা ঙম্লোইদৌবা অচৌবা দিপার্টমেন্ট অমনি। এগ্রিকলচর হায়বসি মীপুম খুদিংনা খঙদবা লাইরিক পারগা য়াদবা ফিল্ডদা হকথেংননা থবক তৌবা মতমদা মপুং ফানা খঙবা ৱাখলনা শাবা য়াদবা থবক্নি। এগ্রিকলচরগী নোলেজ মপুং ফানা লৈতবা মীওই অমনা দাইরেক্তর ওইরগা করম্না লৌমীশিংদা টেনিং পীগনি। সোইল মেনেজমেন্ট, সোইল টেষ্টিং, ফিল্ড দেমোনষ্ট্রেসন, এগ্রিকলচরেল দেমোনষ্ট্রেসন, এগ্রিকলচর এক্সটেন্সন সার্বিস, ওর্গানিক ফার্মিং, ওর্গানিক ফর্টিলাইজর অমদি অতৈ অফবা পোথোক হেনগৎনবা থৌরাংশিং ৱাখলনা শারগা তৌহনগদৌরিবরা হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ৱার্করশিংগী কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
হিন্দুষ্টান নির্মান দল, মণিপুর প্রদেশ ৱার্করশিংগী কনফরেন্স অমা ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুংদা দল অসিগী প্রসিদেন্ট দি লুংপুইজৈ কবুইনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না হিন্দুষ্টান নির্মান দল, মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি কে ঐচ রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱার্করশিংগী কনফরেন্স অদুদা ময়ায় তাংবল লৌখিবা দল অসিগী প্রসিদেন্ট দি লুংপুইজৈ কবুইনা হায়খি, হিন্দুষ্টান নির্মান দলগী নেস্নেল প্রসিদেন্ট দা: প্রবিন ভায় তোপদিয়া অসি দোক্টরগী শিনফম থাদোক্তুনা লৈবাক্কীদমক মপুন্সি কথোক্তুনা বিশ্ব হিন্দু পরিষদতা চহী ৩০ মীয়ামগী থৌগাই তৌখিবা শক্লাইরবা মীওইনি।

মহাক্না হায়খি, ঙসি ফাওবা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী লমগী ৱাফম, অরুনাচল প্রদেশ, ইন্দো ম্যান্মারগী ঙমখৈগী ৱাফম, কবো ভেলিগী ৱাফম রাম মন্দির শাবগী ৱাফম, ইন্দিয়াদা অপুনবগী শক্তম অমদি শংস্কৃটি নোংমা-নোংমগী মাঙশিল্লকপা কয়া অসি উরুবদা তঙাই ফদনা দা: প্রবিন ভাই তোপদিয়া পোলিটিক্সকী লমদা খোঙদারকপনি। লৈবাক অসি হৌজিক মীকপ থোকপা মতম ওইরে। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীয়ামগী মীহুৎ খনবা হায়বসি খ্বাইদগী ফজবা লৈঙাক্লোন্নী হায়নরিবনি। অসুক ফজখ্রবা দেমোক্রেসি অসি ঐখোয়না অরানবা পান্থে শিজিন্নদুনা মাঙহনবদি অচুম্বা ওইরোই। পোলিটিক্স তৌরবদি ভোৎ লেপকদবনি হায়বা লৈতে, ভোৎ লেপত্রবসু তৌবা য়াই। মদুগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু মহাত্মা গান্ধী, জয়প্রকাস নরায়ন ভোৎ লেপখিদে। অদুবু মখোয়না তৌরম্বা পোলিটিক্সতি মালেম পূম্বদা শিংথানরি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## সন্দে ইকো ক্লবকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ককচিং, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
অঙান চীং ইকো পার্ক, ককচিংদা লেপ্পুনা চথরক্লিবা সন্দে ইকো ক্লবকী শরুক অমা ওইনা দিরেক্টোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর দা: টি ব্রজকুমার অমদি সন্দে ইকো ক্লবকী মেম্বরশিংগা লোয়ননা ইন্টরেক্সন সেসন পাঙথোকখ্রে হায়রি।

নুমিৎ অসিদা ভোলুন্টিয়রশিংগা লোয়ননা মমাঙ চহীগী জুন ৩ দা অঙান চীংদোলদা থাখিবা উপালশিং মখোঙ শোম্বীবা অমদি ঈশিং চাইবীবগা লোয়ননা কোয়না চত্তুনা য়েংশিনখি।

তুংদা অঙান চীংগী নেচরেল এনভাইরনমেন্ট হেন্না ফগৎনবা মতৌ করম্না ৱাটর কনজার্বেসন তৌগদগে হায়বগী মতাংদশু ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনখি।

লেপ্পুনা চথরক্লিবা সন্দে ইকো ক্লব অমদি এনভাইরনমেন্ট কন্নবা চঙশিল্লিবা সস্টেনেবল দিভেলপমেন্ট এপ্রোচ অসিবু দা: ব্রজকুমারনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। অমদি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী করি তৌবা য়াবগে হায়বসু য়েংশিনগনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না পীরমখি হায়রি।

# কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
কোলিসন অগেনষ্ট দ্রগস এন্দ আলকহোল (কাদা) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী কুমজা ২০১৯ দগী ২০২২ ফাওবা নৌনা থৌ পুগদবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বরশিং খল্লে হায়না কাদাগী ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা নিংথৌজম ওংবী মেমচৌবী, ভাইস প্রসিদেন্টশিং ওইনা সেরাম ওংবী তাম্না অমদুং তখেল্লম্বম ওংবী কমলা, সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা ওইনাম ওংবী কমলা, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা ৱাংজম ওংবী সর্দা, সেক্রেটরি ফাইনান্স ওইনা লাইফ্রাকপম ওংবী অনিতা, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন ওইনা নোংথোম্বম ওংবী মেধা, সেক্রেটরি ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিসিটি ওইনা পুয়াম ওংবী সোরোজিনি, সেক্রেটরি ৱুমেন এফ্যার্স ওইনা পুয়াম ওংবী লৈবাক্লৈনি হায়রি।

## জিরিবামদা কে এন এফকী অন্দরগ্রাওন্দ অমা ফাখ্রে

জিরিবাম, মার্চ ১৭ (এন এস এস)ঃ
জিরিবাম সি দি ও য়ুনিটকী মখাদা লৈবা জিমেদার এস ভোপেন অমসুং সুভাসচন্দ্রনা লুচিংবা তোঙান তোঙানবা টিম অনীনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা চেকশিন থৌরাংগী থবক থৌরমশিং লৌখৎপা ওইনা তৌসেম সব-দিভিজনগী মখাদা লৈবা তাৎবুং এরিয়াদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা কে এন এফকী য়ু জি অমা ফারে হায়রি।

থৌদোক অদু ঙসি অয়ূক পূং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। মীওই অদু সেল্ফ ষ্টাইল কোর্পোরেল থাংখো হাও দোঙ্গেল এলাইজ হাওপু (৪৩) অপোকপা লালখোসৈ দোঙ্গেল কৌই, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তাৎবুং লৈশাংদগীনি হায়রি।

ফারবা কুকি নেশনল ফ্রন্ট (কে এন এফ)কী কাদর অদুদগী সাইকোট্রোপিক/নার্কোটিক সবষ্টেন্সকী গ্রাম ৫২গী পাউদর ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

ফারবা মীওই অদুনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মখোয়না হায়ৱেদা লোগী ৱাংমদা কন্সট্রক্সন তৌরিবা লেবরর/শিন্মীশিং অমদি অতোপ্পা মীওইশিংদগী শেল খায়বগী থবক তৌখি হায়রি। মসিদসু নত্তনা মহাক্না ইন্টর-ষ্টেট/দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরক্তা নার্কোটিক দ্রগশিং পুথোক-পুশিন তৌবদসু মতেং পাংখি হায়রি। মহাক্কী মথক্তা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসন এফ আই আর নম্বর-১৩ (৩) ২০১৯য়ু/এস-৪০০ আইপিসি, ২১(বি) এন বি অমসুং পি এসকী এক্টকী মখাদা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

## ফৌথোক হেন্না পুথোকপগী মনা লান্থোকখ্রে

ককচিং, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
রিপ্রজেন্টেটিভস ওফ লোইজ (আর ও এল) ককচিংনা ফৌদোক হেন্না পুথোকপা লৌমী খনগৎলগা মকোক মথং তারকশিংসা পীবা ‘অনীশুবা পেদ্দি ক্রোপ্স কম্পিটিসন-২০১৮’ গী মনা লান্থোকপগী থৌরম ঙসি ককচিং চুম্নাংদা লৈবা আর ও এলগী মীপুনশংদা পাঙন্থোকখ্রে।

আর ও এলগী প্রসিদেন্ট দা: থোকচোম ওজিৎনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খরিফ ক্রোপ্সকী মতাংদা লৌমীশিংগী নোংমগী ওইবা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

‘অনীশুবা পেদ্দি ক্রোপ্স কম্পিটিসন-২০১৮’ গী মকোক মথং তাখ্রবশিং অদুদি অহানবা মনা-য়েংখোম ইনাওচা, ককচিং পাজি লৈকায়, মনা অসি কে এস ঐচ শিভকান্ত (আই পি এস) এস দি পি ও, মোইরাংনা স্পোন্সর তৌবনি, অনীশুবা মনা-য়েংখোম ইন্দু, ককচিং তুরেল ৱাংমা, মনা অসি এম রাকেশ, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, আই আই টি ধনবাদনা স্পোন্সর তৌবনি,




অমদি অহুম শুবা মনানা য়েংখোম সোমোরেন্দ্রো, ককচিং ময়ায় লৈকায়নি। মনা অসিনা দা: দি ঐচ ওজিৎনা স্পোন্সর তৌবনি। মনাশিং অসিদা শেল ওইনা মথংশিৎনা লুপা ১০,০০০, ৮,০০০ অমসুং লুপা ৭,০০০ অমদি শক-খঙচে অমমমসু য়াওরি।

থৌরমদুগী ৱাহৌদোক পীরদুনা আর আই এলগী সেক্রেটরি এম শামুনা হায়, ফৌথোক হেন্না পুথোক্লবা লৌমীশিংবু পুক্লিং থৌকৎনবা ককচিং অমদি মণিপুরগী শেনিংলোন হেন্না ফগৎহন্নবা পান্দমদা কুমজা ২০১৭ তগী হৌদুনা চাংদম্নবা অসি পাঙথোকপনি। লৌমীশিংনসু ফৌথোক হেন্না পুথোক্লবা মতুং তারকপদা চাংদম্নবশিং য়াওবীদুনা মকোক মথং তানবা হোৎনবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফৌথোক-চাথোক হেন্না পুথোক্লবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা অখঙ অহে কয়ানা ৱা ঙাংঙখি।

## কানি কেজি ৭ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কোইরেঙ্গৈ কৈথেল এরিয়াদগী ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কমান্দোনা মীওই ২ কানিগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

কানিগা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি কাংপোকপী পাসপতি খুনদগী পুর্নবহাদুর কারকি (৩৮) অমদি, লিলোং চজিং মাইরেন খোং লৈকায়দগী লৈশাংথেম ধিরেন এলাইজ রোমেশনি। থা অসিগী ১৫ গী নুংথিলদা টাটা টিয়াগোদা লাকপা মীওই ২ পুলিস কমান্দোনা কোইরেঙ্গৈদা গাড়ী খান্নগা চেক তৌবদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক কানিশিংদু তোঙান তোঙানবা পেকেদ ১০ দা য়োন্নগা পুরকপদা ফাবনি হায়রি।

## বিলগী শেনফমশিং লৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন ২০১৭ পাঙথোকখিবগা মরী লৈননা গাড়ীগী বিলশিং ক্ল্যার তৌদ্রিবা গাড়ী মপুশিংনা থা অসিগী ২৭ তা নৎত্রগা মসিগী মমাঙদা তমেংলোংগী ইলেক্সন ওফিসতগী ফংফম থোকপা শেনফমশিং কল্লেক্ট তৌনবা দিষ্টিক্ট ইলেক্সন ওফিসর/দি সি তমেংলোং রবিন্দর সিংহনা প্রেসগী খুত্থাংদা খঙহল্লক্লি।

গাড়ী মপুশিংগী লিষ্ট অদু নোটিস বোর্দতা নৎত্রগা ৱেবসাইট https://tamenglong.nic.in তা ফংগনি হায়না মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## নুপামচা ১ ফারগা তমথিনা ফূরম্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
মশক খঙদবা টু হ্বীলর তোংবা মীওই মঙানা চহী ১২ রোমদং ঙাইরিবা নুপামচা অমা লাঙ্গোল ভিয়ুগা মায়োক্লবা ওটো পার্কিংদগী ফারগা লাঙ্গোলদা পুরগা তমথিনা ফূরবা মতুংদা উরিপোক পোলেম লৈকায়দা হুন্দোক্লম্লে।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা নুপামচা অদুগী মমিং কাব্রাবম বোরিশ (১২) অপোকপা কে সেকেন্দর কৌই। মহাক উরিপোক সোরোবোনথিঙেন দা লৈবনি। মহাক্কী অপোকপী রাধারানিনা ফোঙদোরকপদা থা অসিগী ১৫ গী নুংথিল পুং ৫ রোম তাবদা লাঙ্গোল ভিয়ুগী মায়োক্লবদা লৈবা লৈরক্তা ময়াম্বগী ওটোরিক্সো অমদা তোংলগা লৈরিঙৈদা টু হ্বঈলর গাড়ী মচাদা লাকপা নহা মঙাদা মহাক্কী মমান্নৱা হায়দুনা মুন্না য়েংলুবদা মহাকপু ফাদুনা লাঙ্গোলদা পুরগা মরম চাদনা তমথিনা ফূবীখি। মতুংদা মহাক উরিপোক পোলেম লৈকায়দা হুন্দোক্লম্বনি।

মতুংদা মচানুপা অদুনা মখোং শেক্তুনা য়ুমদা চংলকপদা মমানা ৱা হংলুবদা মহাক্কী ফিভম খঙলকপনি। থৌদোক অদু মীঙোন্দা হায়দোক্লবদি হাৎতোক্কনি হায়নসু কিহল্লম্মী। মহাক্কী অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা মহাক রিমস হেস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মহাক হৌজিক য়ুমদা পুথরগা অঙাওবগুম্না লৈরে। থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই অহুমদি পুলিসনা ফারে। মরাল লৈবা মীওইশিংদু মতিক চাবা চৈরাক পীবা পাম্মী হায়রি।

## এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়র ওফিস বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা অল্কোহোলিজম এন্দ দ্রগ এব্যুজ হায়বসিদা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি থম্নাপোকপীদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি এস দব্লিয়ু ও বিষ্ণুপুর জোতিস একাউন্ট ওফিসার এস এস এ বিষ্ণুপুর এম শ্যাম অমদি চাইল্ড লাইন বিষ্ণুপুরগী দাইরেক্তর এল পিশকনা মথংশিৎনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা চাইল্ড লাইন বিষ্ণুপুরগী দাইরেক্তর এল পিশক্না দ্রগনা মণিপুরগী নুপী অমদি অঙাংশিংদা থোকহল্লিবা ক্রাইমগী মতাংদা মরীক চূম্না পাউদমখি।

## জিরিবামদা ১১ শুবা ফোল্ক দান্স ফেষ্টিবেল ২০১৯ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দুইবোংদা লৈবা ইচেল ক্লবতা ইনুং ঙানবী মণিপুরি দান্স একাদমি জিরিবামনা শিন্দুনা ১১শুবা চিলদ্রেন ফোল্ক দান্স ফেষ্টিবেল ২০১৯ ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দুইবোং জি পিগী প্রধান আর কে নোবিনসনা অমদি এক্স মিনিষ্ট এ বিরেন্না চিফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

চিফ গেষ্টনা মৈরা চূখৎপগা লোয়ননা দান্স ফেষ্টিবেল অদু হৌদোকখি। চিলদ্রেন ফোল্ক দান্স ফেষ্টিবেল অদুদা জিরিবামগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী অমদি আসামগী কাছারদগী পূন্না অঙাং ৪০ না শরুক য়াখি।

চিফ গেষ্ট ওইখিবা আর কে নোবিনসনানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক্কী মালেম অসিদা ঐখোয়না মণিপুরগী ফোল্ক দান্স অসি নোংমা-নোংমগী অসুম অসুম মাঙশিল্লকপনা ফোল্ক দান্স মূৎখিদ্রা হায়না পাখৎপসু লৈতবা নত্তে। অদুবু ঐখোয় ইনুং ঙানবী দান্স একাদমি, জিরিবাম্না শিন্দুনা অসিগুম্বা চিলদ্রেন ফোল্ক দান্স অসি চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

মশা ঈনখৎলক্লিবা অঙাংশিংদা তাকপী তম্বীবা অমদি ঐখোয়গী নাৎকী জগোই মূৎতনবা হোৎনরিবসি ঐখোয়গী ওইনা য়াম্না চাউথোকচনিংঙাইনি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা এক্স মিনিষ্টর বিরেন্না হায়খি, মণিপুরী ঐখোয়গী ফোল্ক দান্স অসি য়োকখৎতবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা ঙসি জিরিবাম দান্স একাদমিনা শিন্দুনা অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল চহী খুদিংগী পাঙথোক্লিবসি তশেংনা চাউথোকচনিংঙাইনি। মীয়াম্নসু মতেং পাংদুনা হেন্না ফবা দান্স একাদমি অমা ওইনবা হোৎনসি হায়খি।

## পেলিয়েটিভ ক্যেরগী সেন্সিতাইজেসন ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):
নেস্নল প্রোগ্রাম ফোর পেলিয়েটিভ ক্যের (এন পি পি সি) গী শেন্থং মখাদা এন সি দি সেল, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালনা শিন্দুনা পেলিয়েটিভ ক্যেরগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীপুম তিংনা খঙহন্নবগীদমক্তা লেপ্পুনা চথরক্লিবা কম্ম্যুনিটি বেজ সেন্সিতাইজেসন ৱার্কশোপকী মখা তারকপা ওইনা ঙরাং হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ৱাংখেমদসু ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট পেলিয়েটিভ সেল মণিপুরগী সুপরভিজন মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱাংখেম জি পিগী প্রধান এম দি ফজল খান, এন সি দি (নোন কম্ম্যুনিকেবল দিজিজেজ) সেল থৌবালগী দি এল ও/দি এন ও দা: কে ঐচ হোমেশ্বর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সি ঐচ বসন্তা সিংহনা মথংশিৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা সেন্সিতাইজেসন ৱার্কশোপ অদুদা রিসোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা দা: সারিওনা হায়, চহী য়াম্লবা অহলশিং অমসুং শোইদনা শিরগদবা লায়না লায়ওংনা নারবা মীওইশিংবু ৱাখল নুংঙাইনা থম্বীবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ।

লৈবাক অসিগী মীওই কয়া তমথিরবা লায়না (কেন্সর, দাইবেটিস, কিদনি নাবনচিংবা) শিংগা লোয়নদুনা হিংলিবশিং অমদি ইমুংগী মীওইশিংবু লৈঙাক্না ৱাখল নুংঙাইনা থম্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা ক্যের অসি হৌদোকখিবনি। ইমুং অদুগী মীওইশিংনা মখোয় লৈবদগী লন-থুম মাঙহল্লে, শিখ্রদি ফরনি হায়না হুন্দোকপিবা য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি। মসিনা মখোয়গী পুন্সি হেন্না তেনশিন্নবা মশক্লি। মরম অসিনা পল্লিঅটিভ ক্যের হাংদোক্তুনা মখোয়গীদমক্তা হোৎনরিবনি। অনাবা অদুনা হোস্পিটালদা লৈত্রবসু মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংনা য়ূম-য়ূমদা চৎলগা অনাশিংবু য়েংশিনবগী থবক পায়খৎকদৌরিবনি হায়খি।

থৌরম অদু লোইহ্রবা তুংদা খুঙ্গং অদুগী য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা পেলিয়েটিভ ক্যেরগী খুদোংচাবা ফংবা য়াবা মীওইশিং য়েংশিনখি অমদি চেকশিন্না য়েংবিবগা লোয়ননা পূক্লিং থৌগৎলমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা খুনগী লুচিংবশিং, মহৈরোয়শিংগী লুচিংবশিং, লাইনিংগী লুচিংবশিং, আশাশিং, এ এন এমশিং, কেন্সরগা শাগোন্নরগা হিংলিবশিংনা শরুক য়াখি। লোয়ননা পেলিয়েটিভ ক্যের থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট নোদল ওফিসর দা: থুইঙারেন সারিওনা রিসোর্স পার্সন ওইদুনা পেলিয়েটিভ ক্যেরগী লমদা পাৱর পোইন্টকী খুত্থাংদা স্লাইদ শো উত্তুনা মীয়ামদা হেন্না খঙহনখি।

HL-P/6021/9-31march/1-12april

